# রুথভিকা গাদে, টানভি লাদ, সিরিল ভর্মানা রসিয়ন ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



মোস্কো, ওক্টোবর ০৭ :

ইন্দিয়াগী প্রোমিজিং শট্টলর রুথভিকা শিভানি গাদে, টানভি লাদ অমদি সিরিল ভর্মানা মফম অসিগী স্পোর্ট হোল ওলেম্পিক্সতা চথরিবা রসিয়ন ওপন গ্রান্দ প্রিগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়-মখোয়গী মেচশিংদা মায় পাকখিদুনা সিঙ্গলস ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মরিশুবা সীদ রুথভিকানা ফেল্লো ইন্দিয়ন অরুনধাটি পান্টাৱানেবু ২১-৯, ২১-১০ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। রুথভিকানা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা রসিয়াগী ইলেনা কোমেন্দ্রোভস্কাজাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

অহুমশুবা সীদ টানভি লাদনা রসিয়াগী ইকাটেরিনা কুটপু ২১-১০, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খোঙ থাংজিনখি। টানভিনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লোকেল প্লেয়র ইভগেনিয়া কোসেটস্কায়াগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা সিরিল ভর্মানা ইজরেলগী অহুমশুবা সীদেদ মিশা জিলবর্মেনবু ২১-১৫, ২১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। সিরিল ভর্মানা মথংগী রাউন্দদা নিপানশুবা সীদেদ মালেসিয়াগী জলহেলমি জুলকিফ্লিগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংগী মনুংদা জাক্কম্পুদি মেঘানা অমদি পুর্ভিলা এস রামনা রসিয়াগী দো ভিক্টোরিয়া স্লোবোদয়ানয়ুক অমদি ইলিজাভেটো টারসোভাবু ১২-২১, ২১-১৬, ২১-১২ দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা মথংগী মেচতা লোকেলগী জুরা টাটজানা বিবিক অমদি ইলেনা কোমেন্দ্রোভস্কাজাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অনীশুবা সীদ প্রানাভ জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কিনা রসিয়াগী জুরা অর্টেম সেরপিওনোভ অমদি টাটজানা বিবিকপু ২১-১৯, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখি। চোপ্রা অমদি সিক্কিনা মথংগী রাউন্দদা অলেকসান্দর ভাসিলকিন অমদি ক্রিষ্টিনা ভিরভিচকা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# আই এস এল ২০১৬ : দিল্লি দাইনামোসনা চেন্নাইয়িন এফ সিবু মায়থীবা পীখ্রে



চেন্নাই, ওক্টোবর ০৭ :

দিল্লি দাইনামোসনা মফম অসিদা চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা চেন্নাইয়িন এফ সিবু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা লীগ অসিদা মায় পাকখ্রে।

দিল্লি দাইনামোসনা সিজন অসিগী অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেচতা মখোয়গী প্লেয়র মার্সেলোনা মেচকী মিনিট ২৬ অমদি ৩৪ চৎপা মতমদা গোল অনী চনশিন্দুনা টিমগী ফীভম ফনা থমখি। অদুবু অথুবা মতমদা চেন্নাইয়িন এফ সিনা চঙশিনখিবা এটেক্তা দুদু ওমাগবেলিনা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। দিল্লি দাইনামোসনা সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৮৬ চৎপা মতমদা বদারা বাদজিনা টিমগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

চেন্নাইয়িন এফ সিনা মহাক্কী অহানবা ফংখিবা মেচতা এথলেটিকো দি কোলকটাগা দ্রো চৎখ্রবা মতুং শগোলশেল নুমিৎতা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অঙনবা শরুক্তা চেন্নাইয়িন এফ সিনা অকনবা লম্বা তৌদুনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা অতৎ-অখম লৈতনা শাফুশিং পীখি। অদুবু পাক হেক গোল চনবদি ঙমখিদে।

চেন্নাইয়িন এফ সিনা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা টিম প্লেয়র রফেল অগুষ্টোনা খায়দোরকখিবা বোল অমা মোহন রাজনা অমুক ওল্লগা কাওরকখিবা বোল অদু দুদুনা হেদিং তৌশিনখিবদা শোইখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। অমুকসু হন্না বনার্দ মেন্দিনা হেদিং তৌশিনখিবা বোল অমা গোলপোষ্ট মপা চাখিদবদগী গোল চনবা ঙমখিদে। চেন্নাইয়িন এফ সিনা তৌখিবা এটেক অমদা লালপেখুলৱানা অনকপা মফমদগী কাওশিনখিবা বোল অমা দিল্লি দাইনামোসকী গোল কিপর টোনি দেল্লাসনা সেভ তৌখি।

দিল্লি দাইনামোসনা মায়োক্লখিবা চেন্নাইয়িনগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা মার্সেলোনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা দিল্লি দাইনামোসনা অথুবা মতমদা চঙশিনখিবা অথুবা শাফু অমদা মার্সেলোনা অমুকসু হন্না মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ২-১ দা অমুকসু হন্না মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচ অদুগী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা চেন্নাইয়িং এফ সিগী দুদুনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না অকনবা এটেক তৌনখ্রবসু অহেনবা গোলশিং চনবা ঙমখিদবদগী দিল্লি দাইনামোসনা মায়োক্লখিবা চেন্নাইয়িনগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৮৬ চৎপা মতমদা বদারা বাদজিনা গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-১ দা চেন্নাইয়িনবু মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখি।

# সুরেশ রাইনানা ইন্দিয়াগী ও দি আইগী নেসনল টিমদা অমুক হন্না হল্লকপা ঙমখ্রে



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৭ :

সুরেশ রাইনানা ন্যু জিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা অহানবা থ্রি ৱান দেয়রগীদমক বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখিবা নেসনেল টিমদা অমুক হল্লকপা ঙমখ্রে।

সেলেক্সন কম্মিটিগী অনৌবা চেয়রমেন এম এস কে প্রসাদনা রাইনাবু টিমদা পুশিল্লকখি। সুরেশ রাইনানা দুলীপ ট্রোফিদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিবদগী নেসনেল টিমদা হল্লকপা ঙমখিবনি।

সুরেশ রাইনা অসি ওল রাউন্দর অমা ওইবতা নত্তনা নহা ওইনা ইচং থৌবা অমসু ওইরিবনি। বি সি সি আইনা লাউথোকখিবা টিম অদুদা প্লেয়র খরদি শাংলবা সিজন অসিদা পাঙথোক্কদবা টেষ্ট মেচ তরাগী য়েংলগা টিমদা য়াওহনখিদে।

সেলেক্সন কম্মিটিগী চেয়রমেন এম এস কে প্রসাদনা হায়খি, নহা ওইরিবা প্লেয়রশিংগী য়েংলগা টিম অসি খনখিবনি। হৌজিক নহাশিংনা অফবা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা মীয়ামবু পেলহল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাঙগী ওপনর গৌতম গম্ভীরবু টিমদা পুশিল্লক্নবগীদমক খন্নবা লৈখি। অদুবু মহাক্কী পার্ফোর্মেন্সতা হেন্না মিৎয়েং থল্লগা টিম অসিদা য়াওবদি ঙমখিদ্রে। শোক্তুনা লৈরিবা শিখর দৱণ অমদি মুরালি ভিজয়শিং টিম অসিদা য়াওননবা ওইথোকপা য়াবশিং য়েংশিনখি। অদুবু অরোইবদা মখোয়বু টিমদা য়াওহনখিদে।

প্রসাদনা হায়খি, হার্দিক পন্দিয়াগী লৈরিবা মহাক্কী ফোর্ম তানা লৈবনা টিম অসিদা খনগৎতুনা য়াওহল্লে। মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অদুনা মেচ অহুমগী সেরিজ অসিদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ৱিকেট কিপরগী মতাংদা প্রসাদনা হায়খি, অফবা ৱিকেট কিপর অমা হায়বসি মশক থোক্না বেটিং তৌবা ঙম্বা অদুনি। ঐখোয়না অদুগুম্বা মীওই অমা য়েংলকপা মতমদা সঞ্জু সামসনবু য়াওহন্নবগীদমক খন্নবা লৈখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা নিংথিনা বেটিং তৌবা ঙল্লিবা মন্দীপ সিংহবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

স্কাদতা য়াওরবা প্লেয়রশিং অসি হৌখিবা মতমদা ন্যু জিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা ৱান দেয়র অদুবু য়েংলগা সেলেক্টরশিংনা কৃপ্না মোনিটর তৌদুনা খনখিবনি। স্কাদ অসিনা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা নিংথিনা শান্নরক্কনি হায়বা ৱাফম প্রসাদনা থমখি।

ইন্দিয়াগী নৌনা খনখ্রবা স্কাদতা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি মহেন্দ্র সিংহ ধোনি (কেপ্টেন), রোহিৎ শর্ম্মা, অজিঙ্কয়া রহানে, ভিরাট কোহলি, মনিশ পান্দে, সুরেশ রাইনা, হার্দিক পানদয়া, অক্সর পাটেল, জয়ন্ত যাদব, অমিট মিশ্রা, জাস্প্রিট ভুমরাহ, ধৱাল কুলকরনি, উমেশ যাদম, মন্দীপসিংহ অমদি কেদর যাদমনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজদা মেচ অনী মায় পাক্তুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎলিবনি।

অহুমশুবা টেষ্ট মেচ ইন্দোরদা শান্ননবা থৌরাং তৌখ্রবনি।।

# অন্না চিচেরোভানা বৈজিং ওলেম্পিক্সতা ফংখিবা মেদল লৌথোকখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ০৭ :

রসিয়াগী হায় জম্পর অন্না চিচেরোভাগী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা মহাক্কী সেম্পল অদু অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম শিজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইরম্বদগী ওলেম্পিক্স অদুদা মহাক্না লৌখিবা ব্রোঞ্চ মেদল অদু হন্দোকহনখ্রে হায়না ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১২ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসদা চিচেরোভানা হায় জম্প ইভেন্টদা গোল্ড মেদল লৌখি। কুমজা ২০০৮ অমদি কুমজা ২০১২ গী ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা এথলেটশিংগী সেম্পলশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম শিজিন্নরম্বগীদমক মেদলশিং হন্দোকহনখিবা এথলেটশিংগী মনুংদা চিচেরোভাসু য়াওখিবনি।

আই ও সিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা চিচেরোভাগী সেম্পল অদু টেষ্ট তৌখিবদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম শিজিন্নবগী পোজিটিব ওইখি। মদুবু কৃপ্না য়েংশিল্লবা মতুং দিহাইড্রোক্লোরমেথিল টেষ্টোষ্টেরোন (টুরিনাবোল) য়াওরম্বা থেংনখি।

টুরিনাবোল অসি এথলেটশিংগী পার্ফোর্মেন্সতা হেন্নো মথৌ হাপ্পা অদুগুম্বা ষ্টেরোইদ অমনি। আই ও সিনা চিচেরোভাগী ইভেন্ট অদুগী রিজল্ট মোদিফাই তৌনবা আই এ এ এফতা হায়জখ্রে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# জপান্না রিও ওলেম্পিক্স অমসুং রিও পরালিম্পিক্সকী এথলেটশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



টোকিয়ো, ওক্টোবর ০৭ :

জপান্না রিও ওলেম্পিক্স গেমস অমদি পরালিম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াখিবা এথলেটশিংবু ইরাই নুমিৎতা হরাউ তরাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

জপানগী কেপিটেল সিটিদা পাঙথোকখিবা এথলেটশিংগী পেরেদ অমদা য়াল্লবা সপ্পোর্টরশিংনা পুক্নিং থৌগৎপা উৎতুনা হরাউ তরাম্না ওকখি।

হায়রিবা গেমস অদুদা শরুক য়াখিবা এথলেট ৮৭ না গোল্ড মেদল ১২, সিলভর মেদল ৮ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ২১ পুন্না মেদল ৪১ লৌখিবনি।

মেদলিষ্টশিং অদুনা মখুম হাংদোক্লবা বসতা তোংদুনা জপানিজগী কেপিটেল সিটিদা পেরেদ চৎখিবা অদুদা তিনখিবা মীওই লিশিং ৮০০,০০০ না হরাউবা ফোঙদোক্তুনা মখুৎ-মশাশিং হাইদুনা অপেনবা ফোঙদোকখি।

এথলেটশিং অদুনা টোকিয়োগী খাথংবা তোরানোমোন দিষ্ট্রিক্টতী গিঞ্জা ফাওরগা নিহোবাশি এরিয়া ফাওবা কিলোমিটর ২.৫ গী শাংলবা লম্বীদা পেরেদ অদু চৎখি হায়না ইফেনা রিপোর্ট তৌখি।


থৌরম অদুবু য়েংখিবা মশাগী চহী ৪৭শুরবা ইরি ওগানেনা হায়খি, এথলেটশিংবু ঐখোয়না থাগৎপা উৎপা ঙম্বা অসি ঐখোয়গী খুদোংচাবা অমনি। মখোয়দা উৎলিবা হরাউ-তয়াম্বা অসিনা মখোয়গী পাঙ্গল লৌশি হেংনগৎহল্লগনি।

অমরোমদা জপানগী এথলেটশিংনা ওলেম্পিক্সতা খ্বাইদগী য়াম্না মেদল লৌবা ঙম্বসি রিও ওলেম্পিক্সনা ওইরি হায়না জপানিজ ওলেম্পিক কীম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি। কুমজা ২০১২ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা ইষ্ট এসিয়ন নেসন অসিনা মেদল ৩৮ খক্তমক লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, জপান্না মালেমগী ওইবা ইভেন্ট অসি য়ুম্বু ওইদুনা টোকিয়োদা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কনি। মসিদা জপান্না খ্বাইদগী য়াম্না মেদল লৌবা ঙম্ননবা অশানবা মিৎয়েং থম্বগা লোয়ননা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবসু লৌগদৌরি।

# সভিটোলীনা, রাদৱানস্কানা চিনা ওপনগী, মোনফিলস, ক্রিগিওসনা জপান ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





বৈজিং, ওক্টোবর ০৭ :

ইলিনা সভিটোলিনানা মফম অসিদা চথরিবা চিনা ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বররবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

য়ু এস ওপন টাইটল লৌখিবদগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরমখিবা অদুবু মুনখিবা এঞ্জেলিগ কার্বরনা সভিটোলিনাগী মখুৎতা ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি।

সভিটোলিনানা ক্বার্টর ফ াইনেল মেচতা দারিয়া গাভ্রিলোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ওষ্ট্রেলিয়ন দারিয়া গাভ্রিলোভানা কারোলিন গার্সিয়াবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙলকখিবনি।

অগনিস্কা রাদৱানস্কানা মহাক্কী রাইভেল কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা চঙখি।

জোহন্না কোন্টানা মঙাশুবা সীদতা লৈরিবী কারোলিনা প্লিস্কোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখি।

সিমোনা হালেপনা মহাক্কী লম্বানখিবা চাইনিজ প্লেয়র ঝাং শুহয়গী মখুৎতা ৬-০, ৬-৩ দা মায়থীহৌখি।

মরিশুবা সীদতা লৈরিবা সিমোনা হালেপনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা ঝাং শুহয়গী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবা অদুগী লমন খুল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখ্রবসু অরেম্বদা তাখি।

ওপন অসিগী নুপাগী সেকেন্দ রাউন্দগী মেচতা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভনা তরুকশুবা সীদেদ ফ্রেঞ্চমেন লুকাস পৌলেবু ৬-৭ (৩/৭), ৭-৬ (৭/০), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা টোকিয়োদা চথরিবা জপান ওপনদা গেল মোনফিলস অমদি নিক ক্রিগিওসনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ফ্রেঞ্চকী অনীশুবা সীদ গেল মোনফিলসনা কম্পেট্রিওট গীলেস সিমোনবু শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচ অমদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর নিপানশুবদা লৈরিবা মোনফিলসনা সিমোনগী মায়োক্তা এস তরেৎ কনখিদুনা পুং ১ গা মিনিট ১৬ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকখিবা অসিনা মশাগী চহী ৩০ শুরবা মোনফিলসনা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৩০ শুবদা লৈরিবা সিমোনগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা অনীরক মায় পাকপা ঙম্বসু ওইখি। মবাইনিনা এ টি পি নিপানগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবনি। মোনফিলসনা য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। সেমী ফাইনেলদা নোভাক জোকোভিচকী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ফ্রেঞ্চমেন অসিনা ক্রোসিয়াগী তরেৎশুবা সীদ ইভো কার্লোভিককা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ক্রোসিয়াগী কার্লোভিক্না সার্ভকী জাঙ্কো টিপসারেভিকপু ৭-৬ (১১/৯), ৭-৬ (৭/৫) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

লক্সম্বার্গকী গিলেস মুল্লরনা সাইপ্রসকী মার্কোস বাঘদাটিসপু ৬-৩, ৬-৪ দা মাথীবা পীখি। গিলেস মুল্লরনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

নিক ক্রিগিওসনা চেক রিপব্লিক্কী রাদেক ষ্টেপানেকপা শান্নগদবা মেচ অদুদা ষ্টেপানেক্কী মনঙ্গলদা অনাবা লৈবদগী শান্নদনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী ক্রিগিওসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা শোকপদগী শান্নদনা তোকখ্রবা মেজর প্লেয়রশিংগী মনুংদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমদি য়ু এস ওপনগী ৱিন্নর ষ্টানৱারিঙ্কা য়াওরি। মহাকসু মনঙ্গনগী অনাবা লৈবদগী টোকিয়োগী ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিদে।

লোকেল ফেবরাইট অমদি কুমজা ২০১৪ অমদি ২০১২ গী ৱিন্নর ওইখিবা কৈ নিশিকোরিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা মসলদা নারকপদগী মখা তানা শান্নদনা রিটয়ার্দ তৌখি।

নিপানশুবা সীদ স্পেনিষ্ট ফেলিসিয়ানো লোপেজসু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রিটয়ার্দ তৌখি। কুমজা ২০১৩ গী জপান ওপনগী ৱিন্নর অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোট্রোসু মশাগী অশোকপা লৈবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিদে।

# ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রস : ব্রাজিলনা বোলিভিয়া, ইক্বেদোরনা চিলি মায়থীবা পীখ্রে, ইটালি-স্পেন দ্রো চৎখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওক্টোবর ০৭ :

নেয়মারনা চনখিবা গোল অমনা ব্রাজিলনা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সাউথ অমেরিকাগী ২০১৮ গী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং কম্পিটিসন্দা বোলিভিয়াবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা ওষ্ট্রিয়াদা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা ইটালি অমদি স্পেন্না ১-১ দা দো চৎখি। অদুগা অতোপ্পা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা ইক্বেদরনা চিলিবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

ব্রাজিল অমদি বোলিভিয়া অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। মেচ অদুদা বার্সেলোনাগী সুপর ষ্টার নেয়মারনা ৭৩রক শুবা ওইনা শান্নখিবা মেচতা মহাক্কী ৪৯ শুবা ইন্টরনেসনেল গোল্ড চনখিদুনা ব্রাজিলগী মতম চুপ্পগী ওইনা টোপ স্কোররগী লিষ্টতা লৈরিবা জিকোদগী গোল অমা হেন্না চনবা ঙমদুনা মাঙজিল থানা চৎলি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা নেয়মারনা পেলেনা মতম চুপ্পগী ওইনা থল্লিবা গেম ৯১ দা গোল ৭৭ চনখিবগী রেকোর্দ অদু য়ৌননবা মিৎয়েং থল্লি। মহাক্না হৌজিক গোল চনবগী লৈরিবা রেট অসিদা অদুমক লৈরগদি শুংশোই শোয়দনা পেলেগী রেকোর্দ থুগাইবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

ব্রাজিলনা মায় পাকখিবা অসিনা কুমজা ২০১৮ দা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইননবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে। ব্রাজিলনা হৌজিক গেম মাপন্দগী পোইন্ট ১৮ ফংদুনা মখোয়গী গ্রুপকী ষ্টেন্দিংদা অনীশুবদা লৈখ্রে।

ব্রাজিলনা বোলিভিয়াবু মায়থীবা পীখিবা অসি দুঙ্গানা ব্রাজিলগী মেনেজর ওইবদগী তোকখ্রবা মতুং টিটেনা মেনেজর ওইনা থৌ পুরকখিবদগী থংন-থংননা অহুল্লকশুবা ওইনা মায় পাকপসু ওরি।

লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ব্রাজিলনা ভেনেজুয়েলাগা মায়োক্নদুনা লম্বানরগনি।

শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা সাউথ অমেরিকাগী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা অর্জেন্টিনা অমদি পেরুনা ২-২ দা দ্রো চৎখি।

দ্রো চৎখিবা অসিনা অর্জেন্টিনানা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা দ্রো চৎপসু ওইখি। মেচ অদুদা শোক্তুনা লৈরিবা লিওনেল মেসি য়াওখিদে।

সাউথ অমেরিকান ক্বালিফাইয়র্সকী হৌজিক ফাওবদা মেচ মাপন শান্নখ্রবা মতুং উরুগুৱেনা পোইন্ট ১৯ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মথংদা ব্রাজিলনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি। অদুগা ইক্বেদর, কলম্বীয়া অমদি অর্জেন্টিনানা পোইন্ট ১৬/১৬ ফংমিন্নদুনা চৎলি। পেরুনা পোইন্ট নিপানখক ফংদুনা নিপানশুবা মফমদা লৈখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা সাউথ অমেরিকান চেম্পিয়ন চিলিনা মখোয়গী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগী মেচতা ইক্বেদরগী মখুৎতা ০-৩ দা মায়থীহৌদুনা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইনবগী মঙখিবা মঙলান অদু কাইখি।

চিলিনা সাউথ অমেরিকানগী লমদমদা হৌখিবা চহী অনী অসি দোমিনেট তৌদুনা লাকখিবতা নত্তনা কোপা অমেরিকাগী টাইটলসু লৌদুনা লাক্লিবনি। অদুবু ইক্বেদরগী মখুৎতা য়াম্না লাকচনা মায়থীহৌখি।

ইক্বেদরগী গোলশিং অদু মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী এন্টোনিও ভালেন্সিয়া, ফ্রেঙ্কভারোসকী ক্রিষ্টিয়ন রেমিরেজ অমদি স্পানিওলগী ফেলিপ কাইসেদোনা চনখি।

অতোপ্পা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইটালি অমদি স্পেননা ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেচ অদুদা রোমাগী মিদফিল্ডর দানিলে দি রোসিনা পেনালটি অমা নিংথিনা কাওখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী টিমবু মায়থীরমগদবদগী কনবা ঙমখি।